# হীদাক পীজদুনা নমথাক তৌবা রসিয়াগী শান্নরোইশিংবু শৌগৎপা

—লৈশাংথেম অজিৎ—

**রসিয়াগী** শান্নরোয়শিংবু লৈবাক অদুগী লৈঙাক য়াওনা "দোপীং" তৌহন্দুনা অইন্না য়াদবা অথিংবা হীদাক পীজদুনা শান্নবগী অথোয়-অহেন তান্নবদা শরুক য়াহল্লস্বগীদমক ৱার্ল্ড ত্রন্তি দোপীং এজেন্সি অশস্বীদা 'ৱাদা'না অথিংবা থল্লুবদগী হন্দক্তা লৌথোকখিবা অসিদা মালেমগী মফম অয়াম্বদা লৈরিবা শান্নরোয়শিং, মীয়ামগী থবক তৌবশিং অমদি মরু ওইনা ৱাদাগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরিবী লীন্দা হেল্লেলেন্দনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লরক্লি। লৈবাক অসিগী লৈঙাক য়াওনা শান্নরোয়শিংদা পাকশন্না অরোনবা থৌরাং তৌদুনা দোপীং তৌহল্লি হায়বা খঙনরক্তুনা কানাদাগী উকিল রির্চাদ মেকলারেন কৌবা অমগী মখাদা থিজিন খোৎচিনবগী থবক তৌহন্দুনা লৈঙাক য়াওনা লৈবাক অদুগী শান্নরোয়শিংদা 'দোপীং' তৌহল্লি হায়না খুদম চাংদমগা লোয়ননা খঙলক্তুনা মহাক্কী রিপোর্ট মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী শান্নরোয়শিংগী মথক্তা কুমজা ২০১৫ দগী অথিংবা থমখি। অদুবু হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎ, ওক্তোবরগী তাং ১১ দা শেকেল্লেসতা ফমখিবা মীফম অমদা লুপ অসিগী এগজুকেটিভ কমিতিগী মেম্বর ৯ না রসিয়াগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবা অসি লৌথোক্লবা অয়াবা পীদুনা মখোয়গী মায়কৈদা ভোৎ পীখি, মেম্বর অনীনা মসিগী মায়োক্তা লৈখি, মেম্বর অমদি লাকখিদে। মেম্বর ১২ গী মনুংদা ৯ না মেজোরিটি ওইদুনা রসিয়াগী মথক্তা লৈরম্বা অথিংবা অদু লৌথোকখ্রবসু মালেমগী মফম খুদিংমক্তগী ৱাফম অসি মীৎয়েং থম্নরক্লি। মতাং অসিদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস এন্তি দোপীং এজেন্সিগী ত্রাভিশ তায়গর্ট কৌবা ওফিসল অমনা "ৱাদা" অসি রিফোর্ম তৌগদবনি, মসি শেমদোকপা দরকার লৈরে, মখোয়না মালেমগী মপুকচেল শেংবা শান্নরোয়শিংদা অকিবা শাফু, য়াম্না নুংঙাইতবা অমা পোকহল্লে হায়রি। কুমজা ২০১৪ দা রসিয়াগী সোচি কৌবা মফমদা পাঙথোকখিবা ২২ শুবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমজতা লৈঙাক য়াওনা হায়বদি লৈবাক অদুগী গভর্নমেন্টনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা রসিয়াগী শান্নরোয়শিংদা দোপীং তৌহনখি হায়বা খঙনরকখি। 'দোপীং' তৌখিবা অদুদা থৌদাং লৌখিবদি রসিয়া এন্টি দোপোং এজেন্সি অশস্বীদা "রুসাদা" হায়না খঙনবা এজেন্সি অমদি ওলিম্পিক দোপীং সেন্টরগী লেবোরেটেরি দাইরেক্তর দোক্তর গ্রেগোরি রোদচেনকোনি। গ্রেগোরিনা 'ন্যু য়োর্ক টাম' কৌবা অমেরিকাগী পাউচে অমদা রসিয়াগী এজেন্টশিংনা মতৌ করম্না দোপীং তৌবা শান্নরোয়শিংগী হক্কী ঈশিং (য়ুরিন) অদু টেষ্ট তৌনবা লৌরবা মতুংদা অথেংবা অহিংদা শান্নরোয়শিং অদুনা হীদাক চাদ্রিঙৈগী মমাঙদা লৌখিবা হক্কী ঈশিং য়াওবা লিক্লি অদুগা ওন্থোক্ল




বগী মরমদা অরোনবা থৌরাংশিং অদু হায়দোক্তুনা পাউচে অদুদা ফোঙহনখি।

মহাক্লা অসুম্না হায়খি মদুদি, মহাক ওলিম্পিক অদু হৌগদবা থা মখায় অমরোমগী মমাঙদা সোচিদা থুংলখিবা নোংম নিনি লৈরগা মঙোন্দা কুমজা ২০১৪ গী জনুৱারি ২১ দা 'দোপীং' তৌরিবা রসিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুগী মমিং পীরকখি। অপাকপা চে অদুদা শান্নরোয়শিংগী মমিং, মখোয়না য়াওগদবা শান্নবগী থৌরম, শান্নবগী মতম পুন্নমক য়াওরি। মখোয়শিং অসিগী মনুংদা মেদল ফংলপা শান্নরোয় অমা হেক য়াওরকপগা মহাক্কী 'হক্কী ঈশিং' অদু মহুৎ অমা শিন্দাক্তদবনি হায়বা পাউতাকসু পীরকখি। ওলিম্পিক অদু চথরিঙৈদা অহিং নোংয়াইদা স্পোর্টসকী ওফিসল অমনা মঙোন্দা নুমিৎ অদুদা লৌখিবা 'হক্কী ঈশিং' মাঙহনখিনবা অমদি হীদাক চাদ্রিঙৈদা লৌখিবা অশেংবা হক্কী ঈশিং অদুগা শিন্দোক্লনবা শান্নরোয়শিংগী মমিংশিং পীরকখি। মদুদা শান্নরোয়নসু মখোয়গী 'হক্কী ঈশিং'গী সেম্পল অদু খঙদোকপদা লায়নবা দোপীং কন্ত্রোল ফোর্ম অদুগী ফোটো কোপী অমসু য়াওরখি। অহিংদা মহাক্লা পাউ হেক ফংবগা লেবোরেটেরি ওইনা শীজিন্নরিবা রুম নম্বর ১২৪ দা চৎখি। কা অসিগা হেক থংননা শান্নরোয়শিংগী হক্কী ঈশিং হাপ্তুনা থল্লিবা লিক্লিংশিংগী কা অদুগা থংনৈ। লেবোরেটরি অদুগা হক্কী ঈশিং য়াওবা লিক্লিংশিং থম্বা কা অনী অদুগী মরক্তা লৈবা ফক্লাং অদুদা মখুল অমা হুৎলি, মখুল অদু অয়ুক নুংথিলদা উদনবা চে অমা থেৎচিল্লি। নিপা অমনা অহোবা মখুল অদুদা হক্কী ঈশিং য়াওবা লিক্লি অদু দোক্তর গ্রেগোরিদা পী, গ্রেগোরিনা লিক্লি অদু অমুক নিপা অমদা শিন্নখি। নিপা অদু রসিয়াগী ইন্টলিজেন্ট ওফিসরনি। নিপা অদুনা লিক্লি অদু পুদুনা চৎখ্রবা মতুংদা লিক্লিগী মখুম অদু হাংদোকপা য়ানবা শেম্লকখি। অদুবু হাংদোকপা য়ানবা নমদুনা থুগায়রকপদি নত্তে। দোক্তর গ্রেগোরিগী টিম অদুনা লিক্লি অদুদা য়াওরিবা হক্কী ঈশিং অদু হৈদোকখি লিক্লি অদু শেংদোকখি অমদি ওলিম্পিক পাঙথোক্ত্রিঙৈগী থা কয়ামরুমগী মমাঙদা লৌখিবা "হীদাক চাদ্রিঙৈ" দোপীং তৌদ্রিঙৈগী 'হক্কী ঈশিং" অদু হাপচিনখি মদুনা মহুৎ শিনখি।

রসিয়ানা মতৌ অসুম তৌনা অমদি অতোপ্পা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নদুনা চহী মরিরোম লৈবাক শিনবা থুংনা শান্নরোয়শিংদা আইন্না থিংবা হীদাক পীজদুনা শান্নরোয়শিংগী পার্ফোমেন্স হেনগৎহন্নবা হোৎনৈ। মখোয়না থবক অসি কুমজা ২০০১ দগী হৌরকপা অদুনা লন্দন ওলিম্পিক, ২০১২ দা মায় পাক্লকপগা লোয়ননা সোচিগী ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস ২০১৪ গী মতুং কুমজা ২০১৫ ফাওবা চথখি হায়বা য়াই। থবক অসিদা রসিয়াগী সেক্রেট সর্ভিস 'এফ এস বি''না মপুং ওইবা দাইতা লৌবা মাল্লি।

ৱর্ল্ড এন্টি দোপীং এজেন্সিনা কুমজা ২০১৫ গী নবেম্বর থাদা গ্রেগোরিবু থবক্তগী লৌথাকখি অদুবু মহাক্লা রসিয়াগী অরোন-অথুপ পুন্নমক হায়দোকই, মখোয়গী খুজিল থৌরাং খুদিংমক মালেম পুম্বা খঙহল্লি হায়দুনা পাউচেশিংনা 'হুইসেল ব্লোৱর" অমা ওইনা শিংথানরি। মসিনা মরম ওইদুনা রসিয়াগী শান্নরোয় অয়াম্বা কুমজা ২০১৬ কী রিওদা পাঙথোকখিবা সম্মর ওলিম্পিক্তা শরুক য়াহনখিদে অমসুং কুমজা ২০১৮দা খা কোরিয়াগী পিয়োঙয়াঙদা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক্তদি মপুং ফানা অথিংবা থমখি। দোক্তর গ্রেগোরি হৌজিক য়ু এস এদা লোন্না নাম্থোক্তুনা চেনখিদুনা চঙজফম লৌরি। মহাক্লা থবক তৌমিন্নবা মহাক্কী মরুপশিং নিকিতা কামীভ চিংনবা মওংদা শিখি অমদি ভয়াচেসলাভ সিনয়েত নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

# মীংচৎসু পুরকপা, শেলসু ইতিং তিংদবা, হকচাং ফনসু লৈবা

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-





**মতম** অমদা ইশাতগী ওইবা মঙলান কয়া মঙদুনা কন্না হোৎনখি মালেমগী মকোক থোংনবা। মতমদুদা থোইদোক্লা খন্থরুবা তৌরুদে অতোপ্পা ঐহাক্লুম্না চাহৈদবা ষ্টেরোইদস, হোর্মোন অমদি থিংলবা পোৎলমশিং চাদনা কন্না শান্নজবা শান্নরোয় কয়া অমবু লমজিংবীদুনা অমদি ঐহাক্লুম মালেমগী মশা মউ ফবগী চাংদম্নবগী ফম্বাক কয়াদা মায় পাক্লবা। অদুবু ঙসিদি মখোয়বু অফবা, অচুম্বা নেচরেলগী ওইবা লম্বীসিদা মখোয়বু লমজিংবিবা, পুশিনবীবতা নত্তনা ইরমদম অমদি ইন্দিয়াদা নেচরেলগী ওইবা ফম্বাকশিং হাংদোকপীদুনা শান্নরোয় অসিনা মশা মউ ফনা, মনীং মখা তম্না নেচরেল ওইনা থোক্তুনা মকোক মথং তাদুনা ইরমদম কংলৈপাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙমজরে।

চৎলিবা চহী কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর ১৩, থাংজ নুমিৎতা INBA INDIA (International Natural Bodybuilding Association INDIA) না শীন্দুনা অহানবা "INBA INDIA NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" য়াম্না চাউনা মায় পাক্লা পাঙথোকখ্রে। নীংশিংবা য়াই, চেম্পিয়নশিপ অদুগী মমাঙদা কুমজা ২০১৭তা ইরমদম কংলৈপাক্কী ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিটিগী ওদিটোরিয়মদা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা "LEGENDARY MR. MAIPAK AND DR. NGANGBAM MEETEI NATIOANAL LEVEL NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" নেচরেলগী ওইবা মশা-মউ ফবগী চাংদম্নবা পাঙথোকচখিবা। মতমদুদা আই এন বি এ ইন্দিয়া লৈরমদ্রি। মরম অদুনা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইনা ঐহাক্কী লমজিং মখাদা পাঙথোকচখিবনি। চাংদম্নবা অদুদা ইরমদম অমদি ইরমদম কংলৈপাক্কী ৱাংমদা লৈবা শান্নরোয় ১০০দগী হেনবনা শরুক য়াদুনা নেচরেলগী ওইবা চাংদম্নবদু য়াম্না মায় পাকনা পাঙথোকখিবনি। অদুবু ঙসিদি কর্ণাটকাগী বেঙ্গলোরদা ওফিসিএল ওইনা লোঞ্চ তৌখ্রবা আই এন বি এ ইন্দিয়াগী মখাদা "INBA INDIA NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" য়াম্না চাউনা মায় পাক্লা পাঙথোকপা ঙমখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অদুদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদগী শান্নরোয় চাম্মা হেনবনা লাক্তুনা মশা-মউ ফবগী চাংদম্নবা অদুদা শরুক য়াখি। ইরমদম কংলৈপাক্তগীসু নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয় ৭ অমসু আই এন বি এ ইন্দিয়াগী নেসনল জজ অমদি আই এন বি এ ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট জোনেল সেক্রেটরিসু ওইবিরিবা রাজকুমার রাকেশকী লমজিং মখাদা লাক্তুনা য়াওখি। শান্নরোয়শিং অদুদি টি ঐচ দেভটাজি, ৱাই তোম্বা, এম মনোরঞ্জন, নেপ্রম রোসন, কে এস ঐচ অরুনজিৎ মীতৈ, রোবার্ট কাশুং শিমরে অমদি চবুংবম গোঞ্জালিশনি।

"INBA INDIA NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" অসিগী বোদিবিল্ডিংদা জুনিয়র মাষ্টর গ্রুপ হায়বদি চহী ৩৫দগীনা ৪০ ফাওবগী মশা-মউ ফবগী চাংদম্নবদা ইরমদমগী টি ঐচ দেভটাজিনা অহানবা মনা ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখি অমদি ৱাই তোম্বনা অহুমশুবা মনা ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। এম মনোরঞ্জনসু টোপ ৫গী মনুং চনখি। ওপন/সেনিয়র বোদিবিল্ডিং শোর্ট ক্লাসতা নেপ্রম রোসন্না অনীশুবা তাদুনা সিলভর মেদল লৌখি লোয়ননা ওপন/সেনিয়র শোর্ট গ্রুপতা অহুমশুবা তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল অমসু লৌখি। কে এস ঐচ অরুনজিৎ মীতৈনা মিষ্টর ফিজিক্কী চাংদম্নবদা টোল গ্রুপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। লোয়ননা বোদিবিল্ডিং ওপন/সেনিয়র গ্রুপ্তুনা অনীশুবা মনা ফংদুনা সিলভর মেদল অমসু লৌখি। রোবার্ট কশুং সিমরেনা ওপন মেন বিচ বোদিদা অহানবা তাদুনা গোল্ড মেদল লৌখি। লোয়ননা স্পোর্টস মোদেলদসু ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। অরোইবদা, বোদিবিল্ডিং জুনিয়র টোল গ্রুপ্তা চবুংবম গোঞ্জালিশনা অনীশুবা তাদুনা সিলভর মেদল লৌখি। মখোয় তরেৎ অসিগী মথক্তা বেঙ্গলোরদা লাইরিক তল্লিবা নহা ওইরিবা মঙাল অরাম্বম্না মিষ্টর ফিজিক জুনিয়র অমদি বোদিবিল্ডিং জুনিয়র গ্রুপতা অহানবা মনা ফংদুনা গোল্ড মেদল অনী লৌখি।

ইরমদম অপিকপা, মী য়ামদবা, লায়রবা লমদম অমা ওইজরবসু, মখোয় ৭/৮ খক লাক্লগা থোকপদা ইন্দিয়াগী মীয়াম লক্তুদা ঙাম্থোইবা ঙম্বা অসিনসু কংলৈচা ঐখোয়সি অতোপ্পনা উশিত্তনা য়েংবা য়াবা কাঙলূপ নত্তে হায়বসি তাক্লি অমুক্তা হন্না। অদুবু লাইবক থীবদি, ইন্দিয়াগী লৈঙাক্কী মখাদা মীনাই-নাইথাং ওইনা চহী কয়া কুইনা লৈরকপনা, মরুওইনা ইরমদমগী ৱাংমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা লৈদুনা মখোয়গী অরং অরাক খরা উরুরগা মশানা মশাবু হন্থনা য়েংজবা ইরৈচা কয়া অমসু লৈতবা নত্তে। মখোয় মশাগী লৈজরিবা নুংগী ওইবা মতিক ময়াইশিং অসিবুদি উবা ঙমজদ্রে। অসুম্না মশানা মশাবু খঙজবা ঙমজদবা ইরৈচা কয়া অসিনা ঐখোয়গী শক্তম অমদি মতিক ময়াই ইরায় লায়না তত্তনা হোঙনা য়োম্থোক্তবসু নত্তে হায়না থমজগে।

ঐহাক ইশামকসু পিকখ্রবা লমদম অসিদা খ্বাইদগী লায়রবা ইমুং কয়াগী মনুংদা ইমুং অমা ওইরকখিবা, লাইরিক লাইশু হৈতবা, মশাগী লৌ ইখ্লোলসু লৈজদবা, অতোপ্পগী লৌ উদুনা নোংমগী চারা অনী শুনা মচা তরাবু পীজবা ঙল্লক্তবা অদুগুম্বা লায়রবা ইমুং অমদা পোক্তুনা লমদম অসিদা চাউরকখিবনি। অদুবু ঙসিদি, ৱানা-ৱানা, কন্না হোৎনজদুনা দি এম কোলেজদা অমদি জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি, ন্যু দেল্লিদা তম্লক্তুনা ফরবসু ফৎত্রবসু, চাউরবসু, পিক্লবসু টাইৱানগী Hungkuo Delin University দা ইংলিসকী প্রোফেসর অমা ওইনা থবক তৌজরি। অদুগা নাকল অমরোমদনা মশা-মউ ফবগী লমদসু ফংবা য়াবা টাইটল কয়াসু ফংজরে। অদুগা হৌজিক্লা INBA ASIA (International Natural Bodybuilding Association) গী প্রসিদেন্ট ওইনা ফম পুজরি। হন্দক ওক্টোবর ১৩দা বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা "INBA INDIA NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" অদুবু হৌদোক্লবা অমদি দল্লিয়ু এ দি এগী (ৱর্ল্ড এন্টি-দোপিং এজেন্সি) গী টেষ্টিং ইশামক্লা য়েংশিন্দুনা পাঙথোক্লবা হায়দুনা কৌরক্তুনা য়েংশিনবা লাকখিবনি। পিকখ্রবা লমদম অসিদগী হৌরকখিবা ওইরবসু চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেট কয়াদগী লাকখিবা ইরৈচা কয়া অমনা মখোয়না ঐখোয়দগী হেল্লি খঞ্জরিবা আই এন বি এ ইন্দিয়াগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমত্তনা ঐহাক্কী মীং পন্দুনা ঐহাকপু কৌখিদবনি। ঐহাকপু ডা./প্রোফেসর নৎত্রগা সার হায়না মখোয় খুদিংমক্লা কৌদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবনি ঐহাকপু। মদুতা নত্তনা ঐহাক্লা এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা মখোয়দা তাকখিবা অমদি থমখিবা ঐহাক্কী ওইবা ৱাখল্লোন অমদি পাউতাক খুদিংমক মখোয়না লোইনা ইন্দুনা পাঙথোকখিবনি চেম্পিয়নশিপসি মায় পাক্লা। করিগুম্বা মণিপুরী মচানি কায়না উশিত্তনা ঐহাক্কী পাউতাক ইন্দ্রবদি মায়সু পাক্লোই অদুগা অশোয়বা কয়া অমসু শোয়দনা য়াওরমগনি। অদুবু ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা ঐহাক্কী ৱা ইন্দুনা চৎপদগী অশোয়বা য়াওদনা য়াম্না চাউনা মায় পাক্লা পাঙথোকখিবনি অহানবা ওইজরবসু। ঐহাক্লা পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী অশোয়বা য়াওগে তৌরফাওবদা ঐহাক্কী পাউতাক লৌবদগী অশোয়বা য়াওরম্বদুসু চুমথোকপা ঙমখিবনি।

মতাংসিদা হায়জনীংবদি ঐহাকপু মীয়াম্না সার, ডাক্তর, প্রোফেসর কায়না কৌবদা য়াম্না পামজবগী ৱাফম নৎচদে। ঐহাক্লা হায়জনীংবদি, কংলৈচা অমা ওইরবসু, মণিপুরী অমা ওইজরবসু মখোয়না ইকায়খুম্নবা উৎপদো অদুবুনি। করিগম্বা ঐহাক্লা ঐহাক্তি লায়রবা, লাইরিক লাইশু হৈতবা, পিকখ্রবা খুঙ্গংদা শঞ্জেন্নহা অমা ওইনা চাউরকপা, মণিপুরদি চাওখৎতে (মপানগী অরং অরাক হায়বদি চেক্কী য়ূম-কৈ, থোং, লম্বী অচৌবা), লায়রৈ কায়না ইতোমতা হন্থজনা খঞ্জদুনা চৎলম্লবা মীওই অমা ওইরম্লবদি মখোয়নসু ঐহাকপু হন্থনা য়েংদুনা ঐঙোন্দা পীবিরিবা ইকায়খুম্নবা অদু পীবিরক্তবসু য়াই। ঐহাক্কী ইশানা ইশাবু থাজজবা, ইশাগী হৌরকফম খঙজবা, ইরমদম কংলৈপাক্কী মতিক-ময়াই অমদি ঐখোয়গী লাইওইখ্রবা ইপা-ইপূ কয়াগী থৌনা লিংজেল, মতিক-ময়াইবু নুংশিজবা অমদি ইকায়খুম্নজবগী ৱাখল্লোন, নখোয়না হেন্দেনা নখোয়বু তাকপীবা, লমজিংবীবা ঙম্বা মীওইনি হায়বগী ৱাখল্লোন অদুনা মরম ওইদুনা মখোয়না ঐহাক্লা হায়বা খুদিংমক হিক্তোক্লা চৎখিদবনি হায়না থমজগে। হোই তৌবগীবুদি ঐহাক্লসু পূম্নমক ফনবা, শোয়দ-ঙামদনবা, পূম্নমক য়াইফনবা থম্মোয় শেংনা হোৎনবসি উদুনা মখোয়না ঐহাক্লা হায়বদু থাজদুনা ইকায়খুম্নবা উৎপনি অমদি ঐহাক্কী ৱা ইনবনি হায়না থম্বসু য়াই। অদুবু করিগুম্বা ঐহাক্লা ইশানা ইশাবু হন্থনা য়েংজবগী ৱাখল্লোন্দু লৈরম্লবা অমদি ইরমদম কংলৈপাকপু অমদি ইনাৎপু হন্থনা য়েংবগী ৱাখল লৈরম্লবা, মখোয়না ঐখোয়দগী হেল্লি খল্লম্লবদি মখোয় ময়াম অদু উবদা অদুম ঐহাক পাখৎখ্রনি মখোয়দা পাউতাক পীবা অমদি লমজিংবদি লায়রদনা। অদুনা অতোপ্পদগী ইকায়খুম্নবা ফংনবগী ৱাখল খনদ্রিঙৈ ইশানা ইশাবু হান্না ইকায় খুম্নবা উৎপা অমদি ইশাগী হৌরকফম খঙবা মথৌ য়াম্না তাই হায়বসি কাউফদে।

খুদম খরা থমজগে, আই এন বি এ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অমদি আই এন বি এ ইন্দিয়াগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগা ঐহাক্লা পাউ ফাওনবা খরা ৱাৎপদগী চেম্পিয়নশিপ অদুদা য়াওবা লাকখিবা শান্নরোয় ১০০ হেনবগী মনুংদা আই এন বি এ গ্লোবেল মেম্বরশিপ কার্দ পায়বা মখোয় ৪ খক লাকখিবনি। লুরিবদি মসিগী মেম্বরশিপ কার্দ অসি য়াওদ্রবদি শান্নরোয় অমত্তা য়াওহনগনু হায়না ৱর্ল্ড প্রসিদেন্টনা পাউ থারকখ্রবনি ঐহাক্কী ইফমদা। মরম অদুনা ঐহাক্লা আই এন বি এ ইন্দিয়া ওফিসিএল্লি লোঞ্চ তৌবদা আই এন বি এ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অমদি ঈ সী মেম্বর খরদসু পাউ হায়খ্রবনি। অদুবু পাউ অমুক ফাওনবা ৱাৎপদগী মেম্বরশিপ কার্দ য়াওদ্রবদি থোকপা য়ারোই হায়বগী পাউসি শান্নরোয়শিংদা পীবা নংহৌদ্রে। মরম অসিনা শান্নরোয় ৪ খক ইন্টরনেসনল মেম্বরসিপ কার্দ অসি পায়দুনা লাকখিবনি, মদুসু ঐহাক্লা সোসল মিদিয়াদা পাউ ফাওনবদগী পায়রকখিবনি। কার্দ য়াওদ্রবনিনা মখোয় মরিখক্কী চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপা তারিব্রা? মদুগী চয়েৎনবদু কোক্লবা হায়দুনা নোংমা ৱাৎলিঙৈ ওক্টোবর ১২দা ঐহাক্লা হন্দক্কী ওইনদি শান্নরোয়শিংদগী খোমগৎলকপা রেজিষ্ট্রেসন ফী অদুনা মখোয়গী কার্দ লৈরসি হায়দুনা ঐহাক্লা হায়বদগী মখোয় ৬২ অমদি ইন্টরনেসনল কার্দতু লৈবিরে। লুপা লাক্ষ ৫ হেন্না চঙবনা শেল লৈতবনা টাইটল লৌবা ঙমদবা শান্নরোয় ৩৫ অমদি কার্দ লৈবিদ্রে। অসুম্না ইন্টরনেসনল মেম্বরশিপ কার্দ য়াওদবগী অশোয়বদো মেনখৎপা ঙমখি। মখোয় ৩৫ কার্দ য়াওদনা শান্নবগী অশোয়বা অদু ঐহাক্লা অমুক আই এন বি এ পি এন বি এ ৱর্ল্ড প্রসিদেন্টতা শুগাইনা শেংদোকপা মথৌ তারি। মসিগী মথক্তা ঐহাক্লা আই এন বি এ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকা পাউ ফাওনবদা মহাক্লা মমুৎ তানা খঙহৌদবনা য়ু এস এগী দল্লিয়ু এ দি এ লেবোরেটরিনা দ্রগ টেষ্ট তৌবগী থৌরমসু নংলোইদবা শম্নামুক্তা ঙাই। নুমিৎ ১০ ফাদ্রবা মতমদুদা ঐহাক্লা ৱর্ল্ড এন্টি-দোপিং এজেন্সিগী টেষ্টিং তৌদ্রদি আই এন বি এ ইন্দিয়া পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক লৈতে অদুগা ঐহাক বেঙ্গলোরদা লাক্তুনা চেম্পিয়নশিপ অদু য়েংশিনবগী মরমসু লৈতে হায়না হায়বদগী খুদক্তা য়ু এস এদা শেল থাদুনা দ্রগ টেষ্টিং কিটস থারক্লবা পাউ থাদুনা দ্রগ টেষ্টিং মায় পাক্লা পাঙথোকখিবনি। ঐহাকপু উশিত্তদুনা করিগুম্বা দ্রগ টেষ্টিং তৌরমদ্রবদি আই এন বি এ ইন্দিয়াগী চেম্পিয়নশিপ অতোপ্পা ষ্টেরোইদ চাবা, দ্রগ চাবা ময়াম্না য়াওনরিবা চেম্পিয়নশিপ ময়াম অদুদগী করি খেন্নরি। দ্রগ টেষ্টিং তৌনবা লৈত্রবদি নেচরেল ওইবা এসোসিএসননি হায়রুবগী ৱাহন্থোকসু লৈররোই অদুগা ঐহাকসু মসিবু প্রমোট তৌবা য়াওরোই। মসিগী মথক্তা কর্ণাটকা ষ্টেটকী পেথোলোজিষ্ট, স্পোর্ট ইনজুরি, স্পোর্ট এনহেন্সিং দ্রগতা খঙ হৈরবা মীওইশিংনা টেষ্ট তৌনবা হায়দুনা ব্লদ অমদি য়ুরিন কলেক্সন শান্নরোয় খুদিংমক্তগী খোমগৎখিবনি চেম্পিয়নশিপ নোংমা ৱাৎলিঙৈদা। আই এন বি এ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতুনা মসিনা অদুম য়ারদ্রা খন্দুনা দল্লিয়ু এ দি এ টেষ্টিং তৌবসি লূম্না খল্লুদবনা তৌরম্লোইদবা খজিক্তা ৱাৎলি। অদুবু লোকল টেষ্টিং রিজল্ট অদুদি ইন্দিয়াদদি য়াবা য়াই অদুবু আই এন বি এ পি এন বি এ গ্লোবেল হেদক্বার্টরদদি রিকোগনাইজ তৌরোই, মশক খঙলোই হায়না ঐহাক্লা হায়বদগী দল্লিয়ু এ দি এগী টেষ্টিং শেল য়াম্না চঙলবসু চঙনা পাঙথোকখিবনি। লোকল টেষ্টিংদুদা শান্নরোয় কয়া পোজিটিভ ওইগনি-ওইরোই হায়বা ঐহাক হায়বা ঙমদে, অদুবু দল্লিয়ু এ দি এ টেষ্টিংদা পোজিটিভ ওইদুনা শান্নরোয় খরা অমদি শোয়দনা Hall of Shame দা মখোয়গী মমিং মতম চূপ্পগী ওইনা ইকায় ফিরুক খুমদুনা লৈহৌরগনি হায়না খল্লি।

লোইশিল্লকপদা, আই এন বি এ ইন্দিয়ানা চুম্না, চাহৈদবা হীদাকশিং শীজিন্নদুনা শান্নবা পামজদবা শান্নরোয় কয়া অমা মহৌশাগী অমদি হকচাংদা কান্নবা অমদি ফগদবা চিঞ্জাক অমদি সপ্লিমেন্টশিং শীজিন্নদুনা, মশা মউ ফনা লৈদুনা নেচরেলগী ওইবা ফম্বাক কয়াদা য়াওজদুনা ইন্দিয়াগীতা নত্তনা মালেমগী ওইবা ফম্বাক কয়াদসু চৎপা, য়াওজবা ঙল্লগনি অমদি ইরমদমগী মীংচৎ হেন্না পুরকপা ঙল্লগনি ষ্টেরোইদ চাবগী শেল ময়াম চঙবদো চঙদনা। মসিগী মথক্তা মথং চহীদা মালেমগী ওইবা চাংদম্নবা, 'এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস চেম্পিয়নশিপ' বেঙ্গলোরদা পাঙথোক্লবা আই এন বি এ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অমদি ঐহাক ইশামক নবেম্বর ৮দগী ১১ ফাওবা য়ু এস এগী লাস ভেগাসতা পাঙথোক্কদৌরিবা নেচরেল ওলেম্পিয়াদা চৎতুনা ৱর্ল্ড প্রসিদেন্টকা ৱারী শানগদৌরি। শোয়দনা য়ারক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। মালেমগী ওইবা ফম্বাক অসিদা ইরমদমগী অমদি ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কয়াসু শেল ইতিং তিংদবীদা, ভিজা তানবগী অৱাবা কয়া থেংনদনা, মতম মাঙহনদবীদা য়াওবা ঙল্লগনি অমদি ইরমদমগী মীংচৎসু পুরকপা ঙল্লগনি। অসুম্না ইরমদমগী শেলদি ইপায় পায়জদবা অদুগা ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ য়াওদুনা ইরমদমগী মীংচৎপুদি পুরক্লিংবা শান্নরোয় কয়া অমবু তাঞ্জা অসি পীবিবা হায়বসি ঐহাক্কী মঙলান কয়াগী মনুংদা মঙলান অমনি। অসিগুম্বা মালেমগী ফম্বাক অসিদা য়াওননবা ইরমদমগী নেচরেল এথলেটশিংনা কন্না শান্নবা হৌবিরো হায়না হায়জরি। অদুগা ইরমদমগী পুকচেল চাউবা কয়ানসু মখোয়গী শেল-থুমগী মতেং পাংবীয়ু অমদি মখোয়বু পূক্লিং থৌগৎপীয়ু হায়না থমজরি। মখোয়বু মতেং পাংবা হায়বসি লমদম অসিবু মতেং পাংবনি হায়না খনবীয়ু। মখোয়না মায় পাকপনা মখোয় খক্তগীনি খনবীগনু। মখোয়না মায় পাক্লা হল্লকপদুনা মরম ওইদুনা অতৈ শান্নরোয় কয়া অমসু অচুম্বা, অফবা লম্বীসিদা চঙলক্তুনা মখোয়গী মতুং ইন্দুনা কংলৈপাক অসি মশা মউ ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা মতেং য়াম্না ওইগদৌরিবনি হায়বসি ময়াম্না কাউবীগনু। করিগুম্বা ঐহাকসু ইশা ইতোমতগী খন্দুনা, ওইজবা তান্দুনা ইতোমতা মকোক থোংলগা লোইরে, মমিং লৈরগা লোইরে হায়না খন্দুনা আই এন বি এ ইন্দিয়াদা পুরক্লমদ্রবদি ঙসি চাহৈদবা হীদাক চাদনা শান্নরিবা শান্নরোয় কয়া অমা লৈরক্লিবসি লৈরমদবসু য়াই অমদি হন্দক্কী "INBA INDIA NATURAL BODYBUILDING AND FITNESS CHAMPIONSHIP" অসিসু লৈরম্লোই অমদি মথক্তা পঞ্জখিবা শান্নরোয়শিং অসিনা ইরমদমগী মতিক ময়াইবু উৎথোক্তুনা মীংচৎ পুরকপা ওইথোক্লম্লোই। মসিগী মহুত্তা মমৈথংদদি নেচরেল ষ্টেজ লৈতবনা শান্নবদি য়াম্না পামজবা অদুগা নেচরেল ওইনা থোকচবগী লম্বীদি লৈজদবা শান্নরোয় কয়ানা উপাই লৈরক্তদুনা চাহৈদবা চিঞ্জাকশিং - ষ্টেরোদই, হোমোন্স অমদি থিংলবা অতৈ হীদাক কয়া শীজিন্নবা হৌরক্তুনা ইরমদম খুন্নাই অসি মশা-মউ ফবা শান্নরোয়শিংগী লৈফম অমা ওইবগী মহুত্তা লায়না তীলনানা থল্লবা লমদম অমা ওইরকপসু য়ারিবনি। অদুবু ঙসিদি মদুমক্তি শুকওই ওইররোই, মরমদি আই এন বি এ ইন্দিয়া নোংমা নোংমগী শুম শুম হেন্না চাওখৎলকখিগনি অদুগা নেচরেল ওইনা শান্নজনীংবা শান্নরোয়গী মশীংসু নোংমা নোংমগী অদুম হেনগৎলক্কনি হায়বসি ঐহাক্কী চেৎলবা থাজবনি। নেচরেল ওইবনা য়াইফরে। নেচরেল ওইবা শান্নরোয়শিংনা য়াইফরে। খুন্নাই অমবু শেম্বদা মীওই খুদিং, শান্নরোয় খুদিং মশা-মউ ফনা লৈবা মথৌ তাই হায়বসি কাউফদে। য়াইফমিন্নরসি।